উরজা সী এ পি এফ অন্দর-১৯ টেলেন্ট হন্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# নুপামচাগীদা ইম্ফাল ইষ্ট ক্লব, নুপীমচাগীদা ক্রিপসা নাওরেমথোংনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, মে ১০ :

ওল ইন্দিয়া স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্দকী থৌশিল মখাদা আই জি এ আর (সাউথ) না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা পূন্না খূৎশম্নুনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়ম অমদি আর্টিফিসিএল টর্ফতা চথরিবা উরজা সী এ পি এফ অন্দর-১৯ টেলেন্ট হন্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপামচাগী ফাইনেল মেচতা ইম্ফাল ইষ্ট ক্লবনা থৌবাল ক্লবপু ৬-৩ দা অদুগা নুপীগী ফাইনেল মেচতনা ক্রিপসা নাওরেমথোংনা ঈ এস য়ু ৱাংখৈবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন অমসুং লেবরগী মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা এম এল এ রাজেন সিংহ অমদি এম এল এ রজন সিংহ, আই জি এ আর (সাউথ) কী মেজর জেনরেল বিরেন্দ্র সিংহ, ভি এস এম, য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী কম্মিস্নার ঐচ দিলিপ, ব্রান্দ অম্বেসেদর লাইশ্রম সরিতা দেবী, রেনেদি সিংহ, বেমবেম দেবীনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী নুপামচাগী ৱিন্নর ওইখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট ক্লবতা ত্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশীং ৫০ গী শেনফম পীখি। রন্নর্স-অপ তাখ্রবা থৌবাল ক্লবতা লুপা লিশীং ৩০ গী শেনফম পীখি। নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রবা ক্রিপসা নাওরেমথোংদা ত্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশীং ৫০ গী শেনফম পীখি। রন্নর্স-অপ তাখ্রবা ঈ এস য়ুদা লুপা লিশীং ৩০ গী শেনফম পীখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী অহুমশুবা পোজিসন তাখিবা নুপামচাগী ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি নুপীমচাগী ৱাই দব্লিয়ু সীদা লুপা লিশী ২০/২০ গী শেনফমশিং পীখি। প্লেয়র ওফ দ টুর্নামেন্টনা নুপাগীদা থৌবাল ক্লবকী ৱাই গোপি অমদি নুপীমচাগীদা ক্রিপসাগী রতনবলানা তাখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী ফাইনেল মেচ অদুগী ইম্ফাল ইষ্ট ক্লব অমদি থৌবাল ক্লব অনীনা শান্নখি। মেচ হেক হৌখিবগা টিম অনীমক্না ৪-৪-২ গী পোজিসন্দা চপ মান্ননা শান্নখি।

মেচ অদুগী মিনিট ৯ চৎপদা থৌবালগী রোজরনা অহানবা গোল চন্দুনা একাউন্ট হাংদোকখি অমদি ইকুই কুইদনা ইম্ফাল ইষ্টকী নেত্রজিৎনা মেচকী মিনিট ১১ চৎপা মতমদা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

নাকল অনীগী অকনবা লম্বা অদুদা য়েংলিবশিংগী পূক্নিং চিংশিনখি। মখা তারকপদা থৌবালগী মায়কৈদগী শিতলনা মেচকী মিনিট ২৪ চৎপা মতমদা গোল অমা অমুক চন্দুনা থৌবালনা ২-১ দা মাঙজিল থাখি অদুবু নিংহন্নবা তৌদনা ইম্ফাল ইষ্টকী টিম্না হেন্না লাকশিন্দুনা শান্নরকখিবনা মখা তারকপা মেচকী মিনিট ৩৭ চৎপা মতমদা হেন্বনা গোল অমা চন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি থৌবাল অনীনা ২-২ দা মান্ননা লৈখি।

অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল ২-২ চন্নদুনা মান্ননা লৈখি। অনীশুবা হাফ হেক হৌখিবগা মেচকী মিনিট ৪৭ চৎপা মতমদা ইম্ফাল ইষ্টকী পেটরদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি। ইম্ফাল ইষ্টনা মখা তানা তৌখিবা এটেক্তা মখোয়গী প্লেয়র নেত্রজিৎনা মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা ৩-২ দা লৈখি।

মখা তানা ইম্ফাল ইষ্টনা তৌখিবা অকনবা এটেক্তা অমুকসু হন্না নেত্রজিৎনা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৪-২ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

থৌবাল ক্লবনা মায়োক্নখিবা ইম্ফাল ইষ্টকী সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক্তা থৌবালগী সুরজনা ফাউল তৌখিবদগী রেফ্রিনা মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা নাওচানা মেচকী মিনিট ৮০ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিনখি। গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা অমুকসু হন্না নাওচানা মেচকী মিনিট ৮৩ চৎপা মতমদা গোল অমগা চন্দুনা ৬-২ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

থৌবাল ক্লবনা মায়োক্নখিবা ইম্ফাল ইষ্টকী মায়োক্তা তৌখিবা অকনবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ৮৯ চৎপা মতমদা গোপীনা গোল অমা চনশিনখ্রবসু মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী নুপীগী ফাইনেল মেচতা ক্রিপসা নাওরেমথোং অমদি ঈ এস য়ু ৱাংখৈ অনীনা শান্নখি।

নুপীগী টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা নুমিৎ ১০ নি চুপ্না চথরকখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী ফার্ষ্ট হাফতা ক্রিপসা অমদি ঈ এস য়ু অনীনা য়াম্না লম্বা চানা শান্নখি। অদুবু অয়াম্বা মতমদা ক্রিপসাগী টিম্নদি খরা হেন্না অকনবা এটেক তৌখি।

ফার্ষ্ট হাফতা ক্রিপসাগী কোর্নর কিক মাপন ফংখি অদুবু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। ঈ এস য়ুগী ওইনা শুপ্নগী কোর্নর কিক অমখক ফার্ষ্ট হাফতা ফংখি।

অহানবা হাফকী অপীবা মতম লোইখিদুনা মিনিট ৩ হাপ্পা পুংফমদা ক্রিপসাগী এস রঞ্জনা চনুনা মেচকী মিনিট ৪২ চৎপা মতমদা টিমদুগী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী মিনিট ২৩ অমদি মিনিট ২৫ চৎপা মতমদা ক্রিপসাগী টিম কেপ্তেন এন রতনবলানা গোল অনী থংনা থংননা চনশিন্দুনা ঈ এস য়ুবু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

অন্দর-১৩ বোইজ ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# কে এম এস দব্লিয়ু সীনা জে এবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মে ১০ :

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা) গী থৌশিল মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন, ককচীংনা শিন্দুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দ ককচীংদা চথরিবা অহানবা ক্ষেত্রিময়ুম টিকেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল দি এস এ ককচীং অন্দর-১৩ বোইজ ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে এম এস দব্লিয়ু সীনা জে এবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ হেক হৌখিবগা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু কে এম এস দব্লিয়ু সীনা হেন্না বোল পায়দুনা শান্নরকখি। মখোয়না মায়োক্নখিবা জে এগী মায়কৈদা গোল চন্নবগীদমক অকনবা শাফুশিং পীখি।

জে এসু মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌদুনা গোল এটেম্পশিং তৌখি। কে এম এস দব্লিয়ু সীনা জে এগী মায়কৈদা তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২৭ চৎপা মতমদা এম দি ইস্লাউদ্দিন্না গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

কে এম এস দব্লিয়ু সীনা গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা জে এনা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২৮ চৎপা মতমদা রাজনা গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

কে এম এস দব্লিয়ু সীনা হনবা লৈতনা মায়োক্নখিবা সাইদতা চঙশিনখিবা শাফুদা মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা এম দি রাজ খান্না গোল অমগা চনশিনখিদুনা ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা কে এম এস দব্লিয়ু সীনা টেম্পো লৈনা শান্নরকখি। জে এসু গোল চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক এটেম্পশিং তৌদুনা চঙশিনখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক্তা কে এম এস দব্লিয়ু সীগী লিংলবা দিফেন্সতা চঙশিনবা ঙমদনা লৈখি। কে এম এস দব্লিয়ু সীসু ওপোনেন্টকী মায়কৈদা অহেনবা গোলশিং চন্নবা হোৎনরকখি।

মখোয়না মেচ অদুদা অহেনবা বোল পায়দুনা শান্নরকখিবনা গোল চন্নবগী খুদোংচাবশিং ফংবা ঙমখি। কে এম এস দব্লিয়ু সীনা জে এগী সাইদতা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা এম দি রাজ খান্না মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা ৩-১ দা লৈখি। মখা তানা কে এম এস দব্লিয়ু সীনা অহেনবা গোলশিং চন্নবগীদমক এটেক তৌবা লেপখিদে।

জে এসু কাউন্টর এটেক তৌদুনা কে এম এস দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদা চঙশিনখ্রবসু অহেনবা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংদবদগী কে এম এস দব্লিয়ু সীগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

মেচ অদুদা টি ঐচ দিনেশ্বরনা রেফ্রি, টি ঐচ কিরনকুমারনা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি ৱান, এম বিদ্যাসাগরনা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি টু অমদি জয়কুমারনা ফোর্থ ওফিসিএল ওইনা মেচ অদু কন্দক্ট তৌখি।

সঙাই ত্রোফি ভেটরান’স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ

# আই ঈ ভি এফ এ টিম এনা লাগ্নসাবু, টি বি এস এফ এনা এ ৱাই এম এফ এবু মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ :

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা থম্বালনু গ্রাউন্দ কাইনাদা চথরিবা অহানবা সঙাই ত্রোফি ভেটরান’স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা আই ঈ ভি এফ এ টিম এনা লাগ্নসা শুগুনুবু ১-০ দা অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা টি বি এস এফ এনা এ ৱাই এম এফ এ কাইনাবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা আই ঈ ভি এফ এ টিম এ অমদি লাগ্নসা অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি।

টিম অনীনা অমনা অমগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌনখ্রবসু গোল চনবদি পাক হেক ঙম্নখিদে। আই ঈ ভি এফ এ টিম এনা মায়োক্নখিবা লাগ্নসাগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক অমদা আর কে সনাহলনা মেচকী মিনিট ৮ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অহানবা হাফ ফাওবদা লাগ্নসা শুগুনুনা ইক্বেলাইজ তৌগদবা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা শোথনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না মমাঙ হাফতগী হেন্না ইচং থৌনা শান্নরকখি।

আই ঈ ভি এফ এ টিম এনা অহেনবা গোল চন্নবগীদমক লাগ্নসাগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসরশিং পীদুনা চঙশিনখি। লাগ্নসাসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক লৈজবী মতিক মথৌনা পুথোক্তুনা শান্নখি। অদুবু আই ঈ ভি এফ এগী দিফেন্স লান্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

আই ঈ ভি এফ এ টিম এসু গোল চন্নবগীদমক লাগ্নসাগী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে।

মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা অমদি ইক্বেলাইজ ওইগদবা গোলশিং চনবা ঙমদনা লাগ্নসানা আই ঈ ভি এফ এগী মখূৎতা মায়থীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা টি বি এস এফ এ অমদি এ ৱাই এম এফ এ অনীনা শান্নরকখি। মেচকী অয়াম্বা মতমদা টি বি এস এফ এনা বোল পায়দুনা শান্নখিবনা দোমিনেট তৌনা চৎখি।

টি বি এস এফ এনা মায়োক্নখিবা সাইদতা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৮ চৎপা মতমদা কৃষ্ণতোম্বীনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

টি বি এস এফ এনা এ ৱাই এম এফ এগী মায়কৈদা হনবা লৈতনা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা এন উত্তমনা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-০ দা অহানবা হাফ ফাওবদা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা টি বি এস এফ এনা হনবা লৈতনা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা এ ৱাই এম এফ এগী মায়কৈদা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫৫ চৎপা মতমদা কৃষ্ণতোম্বীনা গোল অমগা চনশিন্দুনা এ ৱাই এম এফ এবু মায়থীবা পীখি।

# দি এস কে সিবাজিয়াঙ্গনা বেঙ্গলুরুবু, মোহন বগান্না শিল্লোং লাজোংবু মায়থীবা পীখ্রে

## আইজোল এফ সীনা চার্চিলস ব্রদরস মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



কট্টক, মে ১০ : জুআন ব্রাসোগী গোলনা দি এস কে সিবাজিয়ান্সনা মফম অসিগী বরাবতি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ফেদরেসন কপকী য়ূমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা বেঙ্গালুরু এফ সীবু ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অমরোমদা মোহন বগান্না শিল্লোং লাজোংবু ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

দি এস কে সিবাজিয়ান্সকী মায় পাকপগী গোল অদু মেচকী মিনিট ৭১ দা ফংখিবা পেনালটি স্পোটতগী অমদি মেচকী মিনিট ৭৬ চৎপা মতমদা য়ার্দ ৩০ দগী কাওশিনখিবা ফ্রী কিক অমদা ব্রাসোনা গোল চনশিনখি।

মায় পাকখিবা অসিনা দি এস কে সিবাজিয়ান্সনা গ্রুপ বিগী টেবলদা অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে অদুগা মোহন বগান্না মেচ অমা মায় পাকখিদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা গোল দিফরেন্সতা +৪ ওইদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখি।

দি এস কে সিবাজিয়ান্স অমদি জে এস দব্লিয়ু বেঙ্গলুরু এফ সীসু মেচ অনীদগী পোইন্ট ৩/৩ ফংনদুনা মথংশিংনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবদা লৈরি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেচতা আই লীগকী চেম্পিয়ন আইজোল এফ সীনা চার্চিল ব্রদাসপু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা সেমী ফাইনেল চঙবা টিম ওইখ্রে।

মায় পাকখ্রবা আইজোল এফ সীগী গোলশিং অদু লালরাম চুলোভানা মেচকী মিনিট ২১ দা পেনালটিদা গোল অমা অমসুং মেচকী মিনিট ৮৯ চৎপা মতমদা লালদানমারৱা রালটৈনা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা গোল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা চার্চিল ব্রদরসকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লাইবেরিয়ন মিদ ফিল্ডর অন্সুমানা ক্রোমানা চনখি।

HL-B/3831/25/04-25/5







Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com